# এডুকেসন মিনিষ্টরনা কেরিয়র কাউন্সেল্লিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ঃ
লমজিং মৈরানা শীন্দুনা কনফ্ল্যুয়েন্স ২০১৮ হায়না মিং থোনবা স্কুল তন্নিবা মহৈরোইশিংগী ওইবা কেরিয়র কাউন্সেল্লিংগী থৌরম অমা সিটি কনভেন্সন, ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুগী অথোইবা মিথুং লেন ওইখিবা এডুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়, ইশানা ইশাগী কেরিয়র শেম্বদা অপাম্বা লম্বীদা চৎত্রবদি মায় পাকপা ঙম্লোই। কেরিয়ন অমা শেম্বদা মহৈরোইশিংনা মতম শীজিন্নবা হৈবা, মতম-মতমগী লাকপা খুদোংচাদবা থেংনবা ঙম্বা, ৱাখল চাউথোকপা অমদি হোৎনবা কনবা মথৌ তাই। মায় পাকপা মীশক ওইদুনা থবক অমা তৌবা মতমদা ইশাগী খন্দনা মীওইবা খুন্নাইগী খল্লগা থম্মোয় শেংনা তৌদুনা খুন্নাই অসি চাউখৎনবা হোৎনমিন্নসি।

পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা মহৈরোই অমগী পূন্সিদা খঙদবা, চমন্নবা থোক্লকপা মতমদা ঙসিগী কাউন্সেল্লিং অসিনা কোকহন্দুনা পূন্সিগী কেরিয়র শেম্বদা মায়পাকপা ওইবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এডিটর প্রদিপ ফাঞ্জৌবম, এসএস ইলেক্ট্রোনিক্সকী প্রোপাইটর এস সরতচন্দ্র অমদি হান্নগী রিমস গাইনিকোলোজিকী প্রোফেসর ডা. মাঙলেমনা ৱঙাংলোই ওইনা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংসু শরুক য়াখি।

# চিঞ্জাক নমথাক তৌদুনা য়োল্লিবশিংবু মরী লৈনবশিংদা য়েংশিনবীয়ুঃ অকোমলূপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ঃ
লমদমসিদা চানরিবা ফসাইগী জেরিষ্ট্রেসন য়াওদবা নৎত্রগা ফেক্টরিদা শাবা লোইরবা পোৎশকশিংবু মেন্যুফেকচর দেট চোন্থনা ইশিনবা, মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা কৈথেলদা য়োল্লিবশিং গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবশিংনা মখা তানা য়েংশিনবীয়ু হায়না ওল ক্লবস ওর্গনাইজেসন এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর (অকোম)লূপকী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন সান্ত মঙাংনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা অকোম লূপ, কংলৈপাক্কী ওফিস্তা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্না হায়, লমদমসিগী মীয়াম্না নুংতিগী চারিবা চিঞ্জাক্তা লূপসিনা অচৌবা মীৎয়েং থমদুনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা শিংজমৈদা লৈবা শিরোই বেকরিদা হকথেংননা য়েংশিল্লুবদা বেকরি অসিদা লূপ অসিনা মমাঙদা থেংনখিবা থৌওংশিংগা চপ মান্নবা মওংদা থবক চথ্খদুনা কৈথেলদা য়োন্নবা থৌরম তৌদুনা লৈরমখি।

বেকরি অসিদা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা মীয়ামদা ফঙহনগদবা অচা-অথক্কী পোৎলমশিংগী মেন্যুফেকচরিং তারিকশিং চোন্থনা থাদুনা পেক তৌরম্বশিং থেংনরকখি।

মখা তানা লূপ অসিনা বেকরি অসিবু থিংবগী হক লৈতবনা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ফসাইদা চপ-চাবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা চিঞ্জাক্তা নমথাক তৌবশিং মখা তাবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়েংশিন্নবগী থবকশিং চথ্খবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা অপিল তৌখি।

লমায় ১ গী মখা

## ধর্ম্মনদি নুংশিনবা পুরকপা ঙম্মী...

পোলিটিক্সনা মীওইববু অমগা অমগা নুংশিনহন্দে অদুবু ধর্ম্মদদি মদু লৈতে।

পোলিটিক্স তৌরিবশিংগী মরক্তসু ধর্ম্ম লৈতবা মীওই অদু কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। ঈশ্বর থাজবা হায়বসি পূন্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবনি। ঈশ্বর থাজদ্রবা মীওই অদু মী ওইরোই। ঈশ্বর থাজরবদি মালেম পৃথিবী অসি অমখক্তা ওইগনি হায়খি।

ধর্ম্ম খুদিংমক ব্যাবহার তৌবা, নুংশিবা, মীবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন অসি লৈরবদি মালেম পৃথিবী অসি অমখক্তা ওইনা লৈগনি। ঐখোয়না কখোকপগী ৱাখল্লোন অদু লৈতবনা মরম ওইরগা ঐখোয়না ৱাবনি।

মশানা কল্লকপা মীহৌবা য়াওদবা পুন্সি অদু পূক্নিং শান্তি লৈগনি। কনাগুম্বনা মহাক্কী ধর্ম্মবু ফৈ হায়না খনবা তরবা অমসুং মহাক্না নিংজরিবা ধর্ম্ম অদুদা পেন্থোকপা ঙম্লগদি করিগী অতোপ্পগী ধর্ম্মবু হুন্দুনা ভাঙগনি হায়খি।

মিনিষ্টর কে শ্যাম্না মখা তানা হায়, নুংশিবা, ধর্ম্ম চেনবা, ঈশ্বর থাজবা মীওইশিং অসি নুংশিবনা থনগনি। মীওইবা ঐখোয় অসি অমত্তনি হায়না খনবা, কল্লকপা য়েংথিবা থাদোকপা, কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা মতমদা পূক্নিং শান্তি ফংগনি। ৱাখল মচা খনবা মীগী মতৌ কনানসু তম্নিংদে।

মীওইবা ঐখোয় অসি অমত্তনি হায়না খনবা মতমদা কন্দায়দগী পুক্নিং শান্তি ৱাখল্লোন লাক্কনি। মণিপুর পীক্লবসু পীক্না মীয়াম্না থিরিবা অসি পূক্নিং শান্তি অদুনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সিভানন্দ আশ্রম রিসিকেসকী স্বামি পবিত্রনন্দ শাষ্ট্রি অমসুং স্বামি পুর্নানন্দ সরস্বতি অনিসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা খৃষ্টিয়ান লাইনিংগী মতাংদা অঙম জাতুং চিরু, ইস্লাম ধর্ম্মগী মীহুৎ ওইনা মুফটি সালাতুল রহমন, মীতৈ লাইনিংগী ওইনা ডা. এস লনচেনবা, কবুই ধর্ম্মগী মীহুৎ ওইনা দি লুংপুজে কবুই অমসুং হিন্দু ধর্ম্মগী মীহুৎ ওইনা ককচিংতাবা ব্রজমনিনা মপুং ওইনা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি।

# চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই তরাম্না ওকখ্রে

নিউ দেল্লি, ওক্টোবর ০৬ঃ
থাসিগী ৩দা লৈবাকসিগী ৪৬শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা জষ্টিস রঞ্জন গোগোইবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি মফমসিদা লৈবা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (বিসিআই)গী ওদিটোরিয়মদা চীং লেল্লবা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

চীফ জষ্টিসপু ওকপগী থৌরমদুদা হায়কোর্ট বার এসোসিয়েসন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচএস পাওনম, সেনিয়র এডভোকেট অমসুং বারসিগী মেম্বর নামৈরাকপম জেটেন্দ্রো, সেনিয়র এডভোকেটসু শরুক য়াখি।

বিসিআইনা শীনখিবা থৌরমসিদা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী বার এসোসিয়েসনশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

# লিগেল এইদ ক্লিনিক হাঙদোক্লগা এব্ব্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ঃ
ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী হরাওরৌদা লৈবা রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্র স্কিল দেভলপমেন্ট সেন্টরদা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টসু ওইরিবী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি (ইম্ফাল ইষ্ট) জি গাইফুলশিল্লুনা লিগেল এইদ ক্লিনিক অমা হাঙথোকখিবগা লোয়ননা লিগেল এব্ব্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রামদুদা এডভোকেট বি সুপ্রিয়ানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেনগী মতাংদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংলগা এডভোকেট সিঐচ বিমোলচন্দ্রনা বেসিক প্রোভিজন্স ওফ দি লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি এক্ট, ১৯৮৭কী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ঙসিগী থৌরম অদু মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগী মিৎয়েং মখাদা দিএলএসএ / ইম্ফাল ইষ্টনা শিনবনি।

লমায় ১ গী মখা

## সনালৈবাক পাউচে...

হায়বদি মীওইবগী হিংবগী হক, জাতি মশেল চান্না-চিন্না লৈমিন্নবা, মণিপুরগী নুপীশিং অমসুং অঙাংশিং, মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবা, মণিপুরগী ফিল্ম য়াওনা আর্টস অমসুং কলচর অমদি খূঙ্গংগী পাউদমদা য়ামদ্রবদা ফিচর আর্টিকল নৎত্রগা ন্যুজ ষ্টোরি অনী থা ১দা ফোঙগদবনি।

ফেলোসিপ অসি চৎলিবা থা অসিগী ১১ লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্কদবা আরকে মায়পাকসনাগী ৭৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা লান্থোক্কনি হায়রি।

## ষ্টেট ৫গী এসেমব্লী...

টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর আর চন্দ্রসেখর রাওনা মমাঙ থাদা ষ্টেট এসেমব্লী দিজোল্ব তৌদুনা ঙন্না ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী লম্বী য়াৎখিবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিং অমত্তা লাক্তুনা য়েংশিল্লদনা ইলেক্সনগী মতম লাউথোকপগী মতাংদা ওপি রাৱতনা হায়, চীফ ইলেক্সন ওফিসার (সিইও) কৌদুনা ৱা তান্নরবা মতুংদা মতম অসি লাউথোকখিবনি।

# ঐখোয় মশেল চিংথনবগী হৈনবী থাদোকপা চঙই ঃ রামেশ্বর



এস এন এস
ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬ ঃ
অফবা মীওইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা অমসুং শৌগৎপীদুনা লমদম অসিদা মতম কয়াদগী লৈরক্লবা মীওই অমনা ফগৎলকপদা অমনা চিংথনবা হোৎনবগী চৎনবী থাদোকপা তাই হায়না কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কৈরাও খুনৌদা লৈবা পার্ফোমিং ওর্গনাইজেসন ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরগী ১৮ লক শুবা লিংখৎখিবগী নীংশিং থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা এম এল এ এল রামেশ্বরনা হায়, মণিপুর অসি আর্ট অমসুং কলচরগী লমদা খুমাং চাউশিনবা লমদম অমা ওইরি।

লমদম অসিগী আর্ট অমসুং কলচরগী লমদা থাঙ তানা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লাক্লি। অসিগুম্বা আর্ট ফোর্মশিং অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং দরকার লৈ।

কনাগুম্বা অমনা হিরম অমদা মকোক থোংলকপা নৎত্রগা মাঙজিল থারকপা মতমদা মহাক অদুবু শৌগৎপীদুনা হেন্না মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎবীবা চঙই।

লমদম অসিগী কলচর য়োকখৎনবা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা মহাকপু য়াওহন্নবা খুদোংচাবা পীবিয়ু। লমদম অসিগী কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবদা মহাক্না অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী আর্ট অমসুং কলচরগী লমদা কৈরাও কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা কৈরাওনা অচৌবা ফিদা অমা কন্দুনা লাক্লি। থাঙ তা অমসুং তোঙান তোঙানবা কলচরগী লমদা মাঙজিল থানা চঙশিল্লি।

লমদম অসিদগী আর্টিষ্ট কয়া মণিপুরগী ৱাংমদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা অমসুং ফিল্ম সিতি কয়াদা লৈখিবা য়াওখ্রে। মালেমগী থাক্তা পার্ফোমেন্স উৎখিবা মীওই কয়া অমসুং লৈরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়না ঐখোয়গী কলচর অসি ঙাকসি হায়বা তারবদি অসিগুম্বা থৌরমশিং পাঙথোকপা মতমদা মপান লমদগী পুশিল্লকপা পোখোকশিং শিজিন্নবগী মহুত্তা ইরমদম অসিদা পুথোকচবা পোখোকশিং ওইনা মহুৎ শিনসি।

ঐখোয়না ইশাগী ওইবা পোখোকশিং শিজিন্নবা মতমদা অতোপ্পা লমগী মীওইশিংনা ঐখোয়বু ইকাই খুম্মগনি। লোয়ননা লমদম অসিদগী মপান লমদা য়াল্লবা শেনফম চৎখিগদবদগী কনবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ইকাই খুম্নরবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ক্রিটিক, প্লেরাইট অমসুং দাইরেক্টর বুদ্ধ চিংথাম্না হায়, থাঙ তা অসি মণিপুরগী শা লানগা মরী লৈনবা আর্ট ফোর্ম অমনি। অসিগুম্বা মখলগী মার্সেল আর্ট অসি লৈবনা মণিপুরসু মালেমগী ফম্বাক্তা শক তাকপা ঙম্লিবনি।

চাইনা, জপাননা মালেমদা শক্তাকপা ঙম্লিবা অসি মখোয়গী ওইবা মার্সেল আর্টকী মওং মতৌশিং অদুননি। লমদম অমগী আর্ট অমসুং কলচরগী চাউখৎপগী থাক অদুনা লমদম অদুগী চাউখৎপগী থাক অদু লেপ্লিবনি।

মণিপুরগী শান্নরোইশিং অসিগী লৈরিবা স্কিল অসি থাঙ তাগা য়াম্না নক্লবা মরী অমা লৈনরকই। মরম অসিনা ঐখোয়গী থাঙ তা অসিবু মুৎখিবদগী কন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ তা কলচরেল এসোসিয়েসন ইরিলবুংগী দাইরেক্টর কে সনাথোই শর্ম্মনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা হান্না থাঙ তা চাউখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরম্বা কৈরাও বিত্রদগী মীওইশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

লমায় ১ গী মখা

## থৌরি য়ানবা য়াওনা মীওই ৩...

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল থনানা য়ুদি কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা রিমস রোদকী স্কাই হোস্পিটালকী লম্বী নাকন্দা খিনবা ত্রান্সফোর্মরদা নুপা অমা মৈনা চিংদুনা শিরে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং গুরুময়ুম জিতেন শর্ম্মা (৬২) কৌই। ললাম্বুং মখোঙদগী লৈখিদ্রবা জি থম্বালসংগী মচানুপানি। মহাক স্কুলগী ভেন থৌবা মীওইনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা, ঙরাং নুমীদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা উরিপোক কাংচুপ রোদকী য়াম্বেম লৈকায় মপাদা মীওই অমা খোঙনা চৎলিঙৈদা গারী মচা অমনা থোম্বদা শোকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অদু য়েংবদা ত্রান্সজেন্দর (নুপীমানবী) মাল্লি। মীওই অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মশক মমিং খঙবা ঙমদনা লৈরি। মশক মমিং খঙদোকনবা অমদি পোষ্ট মোর্তেমগীদমক রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## মণিপুরদগী আফসপা পুমলৌ লৌথোকপদি...

আফসপা পুমলৌ লৌথোকপা হায়বসিদি মতম খরা শোয়দনা চংখিগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক হৌজিকমক্তি চৎনবা হৌদ্রিবা নাগা পিছ একোর্দনা মণিপুরদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা থোকহনলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

মতম খরদি প্রজাশিংগী থম্মোয়দা পিছ একোর্দ অসিনা করি থোক্লগদগে হায়বগী ৱাখলদা চরাংনবা ফাওনদুনা লাকপনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা থাজবা পীবগা লোয়ননা মসিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা অমসুং ঙমখৈদা অকায়বা পীরোই হায়না চপ চাবা থাজবা পীখিবা লৈখ্রে। মদুগী ৱাংমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা পীখিবা অদুদগী মপুং ওইবা নাগা একোর্দকী ৱাফম অসিগী ইশু অসি লোইখ্রে হায়না লৌবা য়ারে হায়খি।

পিপল প্রোটেক্সন বিলগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুর পিপল প্রোটেক্সন বিল অসি অসামগী এন আর সিগা মান্নদে। এন আর সি অসিদি মণিপুরদা করিসু তৌনিঙাই লৈতে। এন আর সি অসিদি অসামগী তশেং তশেংবা অসামখক্তগীনি। মণিপুর পিপল প্রোটেক্সন বিল অসিদি রিগুলেটেরি বিল অমনি অমসুং মসিগী মখাদা কনাগুম্বা অমত্তনা সেট্টল তৌবদা অথিংবা লৈতে।

বিল অসি পুথোকপগী পান্দমদি মণিপুর অসি ম্যানমারগা তাইননা লৈবনা মপান লমদগী মীওই কয়া হায়জিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মখোয়শিং অদু আইদেন্তিফাই তৌনবা পুথোকপা বিলনি। ইন্দিয়াগী মনুংদগী লাকপা ওইরবসু মশাগী শক্তাকচে পায়দবা মীওইশিং অদুদি লমদম অসিদা চংলকপদা অথিংবা থমদুনা লাক্লি হায়খি।

অসামগী এন আর সি অমসুং মণিপুর পিপল প্রোটেক্সন বিল অসিগী মান্নবা মশক অমা হায়বা তারবদি ইন্দিয়ান নত্তবশিং আইদেন্তিফাই তৌনবনি হায়খি।

মণিপুর পিপল প্রোটেক্সন বিল অসিদি মপান্দগী চঙশিনলক্লিবা মীতোপশিং অদু কদায়দগীনো, কন্দায়দা চৎকদৌরিবনো, কন্দায়না লৈগনি, কয়াম কুইনা লৈগনি হায়বা ৱাফম অদু খঙদোক্লবা বিলনি। মসিগী মখাদা মীওই অমনা লন থুম লৈশিনবা নৎত্রগা খুন্দাদুনা লৈবদা অথিংবা থমদে হায়খি।

মহাক্না কংগ্রেস থাদোকপগী মতাংদা এন বিরেননা হায়, মহাক্না কংগ্রেসদা লৈরিঙৈগী মতমদা রাহুল গান্ধীগা অহুমলক উন্নখি। লোয়ননা মহাকপু পার্টি মনুংদা হোংদোক হোংজিন তৌবা খরদি দরকার লৈরে, মদু নৎত্রবদি মণিপুর কায়খিবা য়াই হায়না ৱাখল তাহন্নবা হোৎনখি। লোয়ননা কম্ম্যুনেল লাইনদা পোলিটিক্স তৌহনদনবা হায়খি। অদুবু কয়ারক হায়রবসু মখোয়না তাখিদে। মহাক্না তাদমক তারগা থবক ওইনা পাঙথোক্লককখিদে হায়খি।

মমাঙদা সেন্তরদা সাসন তৌরবা কংগ্রেস গভর্ণমেন্টশিংনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী চাউখৎনবা থবক অমত্তা তৌরমদে। হৌজিক সাসন তৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনদি অৱাং নোংপোক চাউখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লাক্লি হায়খি।

মশা ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইনা হৌরকখিবা চীফ মিনিষ্টরবু ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদু লোইরবা মতুংদা ফুটবোলগী স্কিল মতেক অমা উৎহনখি।

## প্রো. ভিসিগী য়ুমদা মহৈরোইশিং...

কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্লবা এফআইআর অদু হন্দোক্লবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না মহৈরোইশিংনা কন্না তকশিনখি।

ওজা অমসুং মহৈরোইশিং ফাজিন্দুনা জেলদা থমজিনবা অমদি অতৈ কয়াসু ফানবা কোইথি থিরিবা অসি প্রো. য়ুগিন্দ্রোনা পুলিসতা ৱাকৎপদগী ওইরকখিবনি হায়না মহৈরোইশিংনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা মহৈরোই লূপ ৬কী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাঙ্গৈ রোদতা মশীং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা হ্যমেন চেন শেমদুনা ফাজিনখিবা ওজা অমসুং মহৈরোইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়বা দাবি মখা তানা তকশিনখি।

ওজা অমসুং মহৈরোইশিংগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস পানশিন্দুনা অরানবা মওংদা শক্তি শীজিন্নরিবা সরকারগী থৌওংবু পেন্দে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোক্লদুনা তাল্লিবা দাবিশিং ফঙদ্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না মহৈরোই লূপ ৬কী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াই, মমাঙ থা সেপ্টেম্বর ২০ অমসুং ২১গী অহিংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা মশীং য়াম্লবা ষ্টেট ফোর্স অমসুং অসাম রাইফলসকী কাংবু চঙশিন্দুনা রেদ চথ্খিবা অদু প্রো. কে য়ুগিন্দ্রো সিংহনা পুলিসতা ৱাকৎলকপগী মতুং ইন্না এফআইআর অমা রেজিষ্টর তৌরগা চথ্খিবনি হায়না পুলিসকী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা হোমসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা এফআইআর অদু হন্দোকপা নৎত্রগা লৌথোকপা হায়বসি ৱাকৎখিবা প্রো. কে য়ুগিন্দ্রোগী খুৎতা লৈরে। অদুনা মহাক্না তান্নরগা তৌবা য়াবা তৌগনি হায়বগী ৱাফম থমখিবনি। অমুকসু প্রো. কে য়ুগিন্দ্রো সিংহনা এফআইআর হন্দোকপা অমসুং হন্দোক্তবা হায়বসি ষ্টেট সরকারগী শক্তিদা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখিবনি। অসুম্না অমগা অমগা ইন্নদুনা লৈবনা মরম ওইরগা মহৈরোই অমসুং ওজাশিংনা মখা তাবা খোঙজং কয়া চথ্খদুনা ফাজিনখিবা ওজা অমসুং মহৈরোইশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্লবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

## 'এন্টি-করপসন এক্ট'কী...

শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিংগী পাউ সোসিয়েল মেদিয়া অমদি পাউচেশিংদা ফোঙনখ্রবনি হায়রি।

মখোয়না তৌখিবা শেঞ্জা-থুমজাগী থবকশিংগী মনুংদা পব্লিক নোটিস থোক্তনা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা পোষ্ট ময়ামদা মীওই কয়া থবক হাপচিনবা, মসিদা কেন্দিদেটশিংগী স্ক্রুটিনি তৌদবা, অমদি হাপচিন্নিংবা মীওইশিংবু সেলেক্সনগী মওং মতৌ খঙহন্দনা হাপচিনবসু য়াওরি হায়রি।

থৌওংশিং অসিগী মথক্তা মহৈকোল অসিগী য়াম্লবা শেনফমশিংবু পোলিটিকেল মোটিভেট ওর্সেনাইজেসনশিংদা মশাগী পৱর লান্না শীজিন্নদুনা পীথোকপসু য়াওরি হায়রি।

মসিগী মথক্তা এময়ুগী মায়কৈদগী চথোক চৎশিনগী টিএ অমসুং দিএ পীবগী অয়াবা লৈরিবা মহাক্না এল্লাওৱেন্স অনী ফংফম থোক্তবা খোঙচৎ কয়া দিল্লি-ইম্ফাল অমদি দিল্লি বনারসতা চৎখিবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে হায়রি।

অসিগুম্বা মরমশিং অসিদগী এজেন্সি অসিনা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী চপ চাবা সেক্সনশিংগী প্রোভিজনশিংগী মখাদা অথুবা মতমদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথ্খবিয়ু হায়নসু তকশিনখি।

## রিমসতা ইরাং থোকখ্রে, অশিবা হকচাং...

দোলেন মশামক্না মনাক নকপদা লৈবা নর্সশিংদা ময়াম্বদু কৈনোম তৌরে য়েংবিয়ু হায়খি। নর্সশিং অদু অচাপোৎচরগা লৈরক্লগা লোয়ননা অমনা অমদা থংজিন্নদুনা লৈখি। ডোক্তর অমদা অমুক হায়বদা পেসেন্ট পার্টি মপান্দা থোকও হায়না লাওরকখি। ঙইহাক লৈরবা মতুংদা ডোক্তর অমা অনীনা জিতেন শ্বর হোনবদা লেপখিবগী মওংদা মথবাক্ত নমদুনা লাক্লখি। তুংদা নুংথিল পুং ৪ রোম তবদা জিতেন লৈখিদ্রে হায়রকখি হায়রি।

জিতেনা লৈখিদ্রিদু ডোক্তরশিংনা থৌশাদবদগী লৈখিদবনি হায়দুনা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি লৈকায়গী মীয়াম্না ইরাং হৌরক্তুনা কেজ্যুলিটিদা থোমজিনখিবনি হায়রি।


পাউসি তবদগী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী নুপী য়াওনা মশীং য়াম্লবা পুলিস পার্সোনেল লাক্তুনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ঙাক শেনবগা লোয়ননা জিতেনগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্টগা উন্নহনখি। মদুদা চেন্নরিবা ডোক্তর অদু পুথোক্লগা লাল্লে শোয়খ্রেহায়হল্লু নৎত্রগা থবক্কী থদৎকন্দবনি হায়খি হায়রি। অদুবু থৌদোক অদুগী মতাংদা ডোক্তরনা শোয়রিবরা হায়বদু থিগৎনবা মতম খরা পিয়ু হায়না মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্টগী মায়কৈন্দগী হায়রকখি হায়রি।

মতম থেংজল্লকপদগী থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা অনীরকশুবা ওইনা মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্টগা উন্নবা হোৎনবদা উন্নহলক্ত্রে হায়রি।

অদুবু অসিগুম্বা থৌদোক অসি মমাঙদসু কয়ারক হন্না হোস্পিতাল অসিদা থোকখ্রে মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা চেন্নরিবা ডোক্তরশিং থবক্তগী দিসমিস তৌদ্রিফাওবা অশিবা লৌখিরোই হায়দুনা লৌখিদ্রে। লৈখিদ্রবা জিতেন ওটো রিক্সো থৌরগা হিংজবা মীওইনি। মহাক্কী মচানুপা অনী, মচানুপী অমা অমদি লোয়নবী হুন্দাক্লম্মী হায়রি।


## মহৈরোইশিংগী খুদোল

Title : Disney Princes




Jenice Ayekpam
Class: II, Sec : C,
Roll No : 15
UNACCO SCHOOL

Title :House




S. Jenelia Devi
Class:I,Sec: A Roll No : 41
UNACCO SCHOOL

Title : Pikacau




Ksh. Sahl
Class: I, Sec : C, Roll No : 38
UNACCO SCHOOL

Title : Singing Girl



Nelsia
Class: II, Sec : B,
Roll No : 11
UNACCO SCHOOL

Title : Pirachu



Jerith
Class: II, Sec : B,
Roll No : 3
UNACCO SCHOOL

Title : Charmander



Vedaant N
Class:I, Sec : C,
Roll No : 10
UNACCO SCHOOL

অঙাংশিংগী ফোটো, লৈফম, স্কুল মমিং, ক্লাস য়াওনা অয়েকপা লাই কলম অসিগীদমক থাবিরক্লবা হায়জরি

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ



